থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# অচুম-অরান, নুংঙাই-য়াইফ অমসুং পাপ



অঙাং নাৱা ওইরিঙৈ, করিনা করিনো খঙদ্রিঙৈদগী তাইবংপান অসিবুদি য়েংলকই- ইমা-ইপা, ইমুং-মনুং, য়ুম্লোন-কৈরোন্নবা, লৈমিন্নরিবা শা-উচেক অমদি অকোয়বদা হৌরিবা হৈপাল-লৈপালশিংদা। পুমকক চাউরকঙৈ, মহৈ তম্ফম লোইশঙশিংদা অমুক য়েংবা হৌরকই- ইমিৎনা শং-শং উঙমদবা, ইনক নকপা অকোয়বসিগী ৱাংমদা লৈবা তাইবংদুগী অতোপ্পা শক্তম কয়া অমা, অহুমশুবা নুংগী মীৎ অমনা। ৱারী কয়া তারকই, লাইরিক কয়া পারকই। অফবা ফত্তবা, অৱাবা নুংঙাইবা, নুংশিবা তুক্কচ্চবা...তপ্না তপ্না মশক লাকপা ঙম্নবা হোৎনরকই। তাকপীরকই ঐখোয়দা- অচুম্বা লম্বী চৎপদি অৱা অনা মায়োক্লৈ, অরানবা লম্বী চৎপনা অরং-অরাক হকথেংনৈ। অচুম্বা অশেংবা লম্বীদি তীঞ্জং তুম্নৌনা থনবনি, অরানবা তৌবশিংগী লম্বীদনা হৈরাং-লৈরাং শাৎপনি। মহৈ তম্লিঙৈ মতমদসু, মকোক থোংবা অফবা মহৈরোয়শিংনা তূম্বা চাবা খঙদনা লাইরিক পাদুনা লৈরিঙৈ, মমান্নবশিংগা লোয়ননা কোয়বা লংবা, নুংঙাইথোকপা ফংদবা। মকোক থোংবদুমক নৎত্রবসু ময়ায় ওইরকপ ফবা মহৈরোয়সু থার-থারবা লাইরিকশিং অমুক্তং পাহৌনবা হোৎনরিঙৈ নোংমাইজিংগী ছুটি কয়া নুংঙাইথোকপা ফংখিদে, শান্নবুংগী নুংঙাইবা মীকুপশিং নোংমত্তসু হকথেংনরকখিদে।

ৱাখলনা শাবা ৱারীমকপু ওইরসু, থোকখিবা থৌদোক নীংশিংলগা ইথোল্লকপবু ওইর'সু লাইপোক্কুম্বা নৎত্রগা মীয়াম্না ফিদম্নিংঙাই ওইবা মীশিংগী ৱারী পুম্নমক মালেমসিদা হিংলিঙৈ নুংঙাই-য়াইফবা, সনা লুপা লন-থুম খোঙনেৎননা হিংখিবা পুন্সি অমগা শাগোন্নখিবা অমত্তা য়াওখিদে। তাইবং পুন্সি লোইরগা, লাইরৈবাক (স্বর্গ) তা নুংঙাইনা লৈখিবগী ৱারীমক্তনি পীক্লবা কোকসিগী পাক্লবা নীংশিং লামায়শিংদা ইরমখিবা। রাজা হরিশ্চন্দ্রনা অচুম্বা লম্বীদা চৎপগী মহয় ওইনা ফংখিবা অৱা-অনঙ-খুদোংথীবশিংদুনা মরম ওইরগা লম্বীদুদৈ কৈদৌনুংদা নাথৈখিদে। পুন্সিগী শুমহৎয়াইপুম্বা মাঙখ্রবা মতুংদনি, লাইরৈবাক্কী লাইয়াম্না লৈ চাইথরকখিবা মথক্তা। নহা ওইরিবা 'বিষ্ণু ভক্ত ধ্রুব'সু-মপাবুংগী মতমপাক্তা ফম্নবগী হক অদু ঈশ্বর মাতনা পীঙমগনি হায়বা লোন্নবী মমাগী ৱাহৈ অদুগী অচুম-চুমদা হংনবা, মখোঙ নাম্মা থাঙ্গৎতুনা মচিন্দা 'ওম নমো ভাগবতে বাসুদেবায়' হায়না শোন্দুনা লৈখিবা পূক্নিং অনী লোঙদ্রবা মতৌদুদা পেল্লদুনা , শ্রীবিষ্ণু মশামক লেঙলক্তুনা থৌজাল পীরখি... 'তাইবংসিনা লৈরিমখে, মায়কৈ খঙদ্রবা পুন্সি লম্বী চৎপশিংগী লম্বী তাক্লবা মুৎপা নাইদ্রবা অরংবা থৱানমিচাক ওইনা অতিয়াদা ঙান্দুনা লৈরসনু নঙগী থৱায়না'। ঙসি ঐখোয়না 'ধ্রুব তারা' (পোল ষ্টার) হায়না খঙনরিবসিনি। অচুম্বা চৎপা ধর্ম্মরাজ যুধিষ্টিরগী মচিন-মনাও মঙা, নিংথৌ শাগৈদা পোক্তুনসু 'নুংঙাইবা পুন্সি' হায়বদুদি শাগোন্নবা ফংখিদে।

হিন্দুগী ৱারী লাইরিক'তগী ৱা নত্তবা ঐখোয়গী 'লুচিং-পুরেন ইরাবত'- অচুম্বা লম্বীদুদা চৎনবা, মরল-মথুম নুংঙাই য়াইফ থাদোকখি। অসুম্না, ঐখোয়গী লু-তোংদা চুখ্রবা, কোকঙমদ্রবা পাউজেল অমা, লাংওন অমদগী অমদা মথং মথং শমথদুনা পীরকই- 'লাইরৈবাক্তা মফম ফংনবা, অৱাংবা থাক্কী ফিদম অমগা লোয়ননা অৱা-অনানা থল্লবা পুন্সি অমা শাগোন্নগদবনি তাইবং মপোক অসিদা'। বাইবলদসু ইরম্মী... ঈশ্বরনা কৌরিবদি মশীং থীঙমদ্রবা মীয়ামনি, মহাক্না খনগৎকদৌরিবদি মরক্তুদৈ খরতনি...।

কাউখ্রবা ৱারী ময়ামসি থম্মোয় পাউদম ওইনা তমজনিংলুবগী মরম লৈ। করিনো খঙবীনিংদবরা? হায়দ্রবসু খঙলমগনি। ঙসিগী মীরোল অসিগী মীকোক খুদিংদা হংবীয়ু, ইশাদসু হংবীয়ু- অৱাবা অমসুং নুংঙাইবা, করম্ববু পাম্বগে? চাম্মদা চাম্মনা খল্লক্কনি 'নুংঙাইবা'। অচুম্বা অমসুং অরানবা-করম্ববু খনগনি? মখা তানা হংবীয়ু। অরানবা পাম্মী- কনানসু হায়রক্লোই। মীচমদগী নিংথৌফাও, অচুম্বা পাম্মী'দি হায়রগা অরানবা থবক'মক্তনি তৌরিবা। খুদম চাংদম হায়ববু 'নুংঙাইবা পাম্বা' পূক্নিংদুদৈ হেনবা করি লৈ? ঙসিগী মায় পাকপা, পুন্সি-ফিদম-উফুল মরিক থাংদবা ইমুংদুদা লৈবদুনি, এয়র কন্দিসন কারদা খোঙনেৎননা চৎপদুনি, হুমাং তাবা থবক নত্তবা লেক থাংদবা ফুরিৎ লীৎলগা এয়র কন্দিসন তৌবা কাদা ফম্লগা দিজিৎ তরুক্কী ইনকম তানবদুনি, মশাগী থবক খুদিংমক খুৎনেক্তা মীবু শুহনবদুনি, মশাগী ইনকমগা চানদনা মরল-মথুম পৈবদুনি, হুরানবনি খঙহন্দনা ফোংনা হুরানবা ঙম্বদুনি। মার্বলগী মন্দির শাবা ঙম্বদুনা লাইনা চানবা লাইনিংবনি, মীবু মমল পীদুনা লৈবা ঙম্বা মীশক্তুনা মীয়ামগী অশেংবা লুচিংবনি। রিলিজন অমদি স্পিরিচ্যুঅলিটি- মাঙখিবা কুইরে উখিদ্রে।

মতাংসিদা বুদ্ধগী ৱা অমা নৈনবা য়াই। মী অমনা ফত্তবা থবক তৌরিবা, মরাল কয়া লংশিল্লিবসি মহাক্না তৌরিবদু করিনো খঙদবননি, অচুম্বনা করিনো অরানবনা করম্বনো খন্দোকপা ঙমদবননি, থবক অদু তৌরুবগী চৈরাকসু মশানা পীজগদবনি। অঙাং অমনা মৈ পায়রুবা, অঙাংদুবু চৈরাক পীগদ্রা? অরানবা অমা তৌরুরবা, মরাল অমা লংশিল্লুরবা মহাক্তো নোংমা শোয়দনা মশানা মশাবু তুক্কচ্চরক্কনি, অনুতাপকী মৈনা চাক্লক্কনি, লাইরৈবাক্তা চঙহন্দনা নোরোক্তা চঙহনবগী ৱা লৈতে। পাপ লংশিনবগা লাইরৈবাক্কা মরী লৈনদে, মসিদি মীওইবনা মহৌশাদগী তোঙান্না লৈবা পাম্লুবদগী থোকপনি।

পাপ নৎত্রগা মরাল অমা লংশিল্লুবা হায়বগী অৱাবদু কোক্লবা লম্বী অমখক্তনি- ঐখোয়না খল্লিবা ৱাখল অমদি তৌগে খল্লিবা থবক্তুগা ঐখোয়না পাল্লিবা নুংঙাইবদুগা লৈনবা মরী অদু খঙদোকপা। অঙাংনা মৈ পায়রুবগী থৌদোক অদুমত্তং নীংশিংবা-অমম্বদগী অঙানবদা থোক্লকপগুম নুংঙাইনি।

লৌশিং পুক্কে / খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# হূই লোয়রবদি হার্ট এটেক নৎত্রগা ষ্ট্রোক তৌরবসু শিবগী চাং হন্থহল্লি



যূমদা হূই অমা লোয়বনা ঐখোয় মীওইবগী হকশেলদা কান্নহল্লি হায়বসি রিছার্স কয়ামরুম তৌবদগী খঙলবা ৱাফম্নি। হন্দক্তা নৌনা চথখিবা ষ্টদি অনীনা অমুক হান্নদগী খঙলবা ৱাফমশিং অসিগী মথক্তা অনৌবা অমা ওইনা হূই লোয়রবদি হার্ট এটেক নৎত্রগা ষ্ট্রোক তৌরবসু শিবগী চাং হন্থহল্লি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে।

মমাঙদা চথখিবা রিছার্সতা হূই লোয়দবা মীওইশিংগা হূই লোয়বা মীওইশিংগা চাংদম্নবদা হূই লোয়বা মীওইশিংদনা কার্দিওভাস্ক্যুলরগী খুদোংথীবা হন্থবা থেংনখি।

নৌনা চথখিবা ষ্টদি অনীসিনা অমুক হার্ট এটেক নৎত্রগা ষ্ট্রোক তৌরুরবা নৎত্রগনা অতোপ্পা কার্দিওভাস্ক্যুলর প্রোব্লেমশিং থেংনরুরবা মীওইশিংদা শিবগী চাং হন্থহনবা থেংনখি। ষ্টদি অনীসিদা থেংনখিবা ৱাফমশিং অসি সার্ক্যুলেসন: কার্দিওভাস্কুলর ক্বালিটি এন্দ আউটকমস হায়রিবা জর্নেল অসিদা ফোঙলকখিবনি।

অহানবা ষ্টদি অদু উপসালাদা লৈবা উপসালা য়ুনিভর্সিটি অমসুং স্বিদেন্দা লৈবা স্বিদিস য়ুনিভর্সিটি ওফ এগ্রিকলচরেল সাইন্সকী রিছার্সরশিংনা উপসালা অমসুং স্বিদেনদা পাঙথোকখিবনি। মখোয়না স্বিদিস নেসনল পেসেন্ট রেজিষ্টরগী দেটা শীজিন্নদুনা কুমজা ২০০১ দগীনা ২০১২ ফাওবগী মনুংদা হার্ট এটেক নৎত্রগনা ইস্কিমেটিক ষ্ট্রোক তৌখিবা মশাগী চহী ৪০ দগীনা ৮৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিং থিদোকখি। মদুদা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা হার্ট এটেক তৌখিবা মীওই ১৮৬,৪২১ অমদি ষ্ট্রোক তৌখিবা মীওই ১৫৭,৮৫১ পুন্না মীওই ৩৪৪,২৭২ শুখি। টিম অদুনা স্বিদিস বোর্দ ওফ এগ্রিকলচরর অমসুং স্বিদিস কেন্নেল ক্লবগী রেকোর্দ শীজিন্নদুনা হায়রিবা মীওই ৩৪৪,২৭২ অসিগী মনুংদা মীওই কয়ানা হূই লোয়বগে হায়বা থিদোকখি। মীওইশিং অসিগী মরক্তা হূই লোয়দবা মীওইশিংদগী হূই লোয়বা মীওইশিংনা হেন্না মশা মউ ফনা লৈবা থেংনখি।

কুমজা ২০০১ দগীনা ২০১২ ফাওবগী মনুংদা হার্ট এটেক তৌখিবা হূই লোয়বা মীওইশিং হোস্পিটালাইজেসন তৌরুরবা মতুংদা মথন্তা লৈবশিংদা শিবা য়াবগী খুদোংথিবা চাদা ৩৩ হন্থবা থেংনখি। অদুগা হোস্পিটালাইজেসন তৌরুরবা মতুংদা হূই লোয়বা নৎত্রগনা পার্টনর অমা নৎত্রগনা অঙাং অমগা লৈমিন্নবশিংদনা শিবা য়াবগী রিস্ক চাদা ১৫ হন্থবা থেংনখি।

অদূগা ষ্ট্রোক তৌরুবা অমসুং হূইসু লোয়বা মীওইশিংগী ওইনা হোস্পিটালাইজেসন তৌরুরবা মতুংদা মথন্তা লৈরগদি শিবগী রিস্ক চাদা ২৭ হন্থখি। হূই লোয়রবা নৎত্রগনা পার্টনর অমা নৎত্রগনা অঙাং অমগা লৈমিন্নরগদি শিবগী রিস্ক চাদা ১২ গী চাংদা হন্থবা থেংনখি।

হূই লোয়বা মীওইশিং শিবগী রিস্ক হন্থহল্লিবসি হূই লোয়রগদি মীওই অদু হূইগা লোয়নবদা মথন্নতা মশা খিং-খিং লাউনা লৈহল্লকপদগীনি হায়না রিছার্সরশিংনা ফোঙদোক্লি। হূই লৈরগদি ঐখোয়দা নাইতোম তাবগী ৱাখল ফাওহন্দবগা লোয়ননা শেরান্নবা ৱাখল খনবগী চাংসু হন্থহল্লি, মসিনা মীওইববু মশা-মউ ফনা থম্বদা মতেং পাংই।

ষ্টদি অদুদা শরুক য়াখিবা প্রো. টোভ ফোলনা হায়খি, অতোপ্পা মীগা কয়া তোৎনা-তিন্নদবা হায়বসি হকচাং ফহন্দবগা লোয়ননা মতাং-মতম চাদনা শিহন্নবগী চাউরবা মরম অমনি।

হূইবুশিং অতোপ্পা মীওইশিংগা ৱারী শানবগী চাং হেনবগা লোয়ননা সোসল আইসোলেসনগী ৱাখল অদুসু ফাওহন্দে হায়বা মমাঙগী ষ্টদিশিংদগী খঙখ্রে। মখা তানা অমুক, হূই লোয়বনা ফিজিকেল এক্টিবিটিশিং তৌনবগী ইথিল পী, মসিনা রিহেবিলিটেসন তৌবদা অমদি মেন্টেল হেল্থ ফগৎহন্নবগী য়াম্না মরুওইবা মচাক অমা ওইরি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

চথখিবা ষ্টদি অসি মশিং য়াম্না য়াম্বা মীয়ামদা চথখিবা মরম্না ফাইনিদংশিং অসিদা অশোয়বা খরা য়াওরম্বসু য়াই হায়না রিছার্সরশিং অদুনা ফোঙদোকখি। রিছার্সরশিংনা ভেরিফাই তৌবা ঙমখিদবা অশোয়বা য়াওহল্লকপা য়াবা মরমশিংগী মনুংদা হূই অমত্তংগী মপু অনী লৈবা, হূই মাঙখিবা নৎত্রগনা হূইবু শিনবা অসিনচিংবশিং য়াওরি।

অদুবু ষ্টদি অসিদগী হূই লোয়বনা হার্ট এটেক নৎত্রগা ষ্ট্রোক তৌরুরবা মীওইশিংগী হকশেলদা কান্নবা পী হায়বসি খঙলে। অদুবু মখা তাবা রিছার্সরশিংসু তৌবদি মথৌ তারি হায়নসু প্রো. ফোলনা ফোঙদোকখি। ষ্টদিগী রিজল্ট অসিনা হূই লোয়বগী মরমদা মমূৎ তানা খঙদনা হূইবু অনা লায়েংগীদমক্তা শীজিন্নবগী পূক্নীং থৌগৎপদি নত্তে হায়নসু মহাক্না চেকশিনৱা থমখি।

প্রো. টোভনা হায়খি, এনিমেল ৱেলফেয়রগী মীৎয়েংদগী য়েংলগদি, হূই লোয়বা হায়বসি মশানা হূই লোইবা ঙম্লগনি হায়না খঞ্জবা অমদি লোয়রিবা হূই অদুবু য়াম্না নুংঙাইনা থম্বীবা ঙম্বগী নোলোজ লৈবা মীওইশিংখক্তনা লোয়গদবনি।

অনীশুবা ষ্টদি অদুনা কেনাদাগী টোরোন্তোদা লৈবা মাউন্ট সিনাই হোস্পিটালদা পাঙথোকখিবনি। হায়রিবা ষ্টদি অদু মীওই ৩,৮৩৭,০০৫ দগী খোমগৎপা দেটাশিং শীজিন্নদুনা পাঙথোকখি।

ষ্টদি অসিদসু অহানবগী ষ্টদি অদুদা ফংখিবগুম্না হূই লোয়দবা মীওইশিংগা য়েংনবদা হূই লোয়বা মীওইশিংনা মশা মউ হেন্না ফবা থেংনখি। ষ্টদি অদুদা শরুক য়াখিবা ডা. কেরোলিন ক্রেমরনা, হূই লোয়বনা হকচাং শাজেল তৌবগী চাং হেনগৎহল্লি, ব্লদ প্রেসর লেভেল হন্থহল্লি অমদি কোলেষ্টরোল প্রোফাইলগী ফীভম ফহল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

# লৌফমশিং শোকহনবা মখল খুদিংমক্কী কন্সত্রক্সনশিং খুদক্তা লেপকদবনি : মিকন, এল আই এফ টি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ঐচ এন এস): লৌফমশিং শোকহনবা মখল খুদিংমক্কী কন্সত্রক্সনশিং খুদক্তা লেপকদবনি হায়না মীতৈ ইন্টরনেসনল সিভিক এক্সন নেটৱার্ক (মিকন) গী চীফ কোওর্দিনেটর অথৌবা মৈতৈ অমদি লিগ ওফ ইন্দিজিনস ফার্মর এন্দ টেক্নিসিয়ন (এল আই এফ টি) গী সেক্রেটরি পি কে ৱাকম্বমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লূপ অসিগী খ্বাইদগী চাউবা খোঙথাং অমা ওইনা লমদম অসিগী লৌফমশিং কন্ননবা হোৎনরক্লি। মিসন সনা লৈবাক্না ঙসি ফাওবা ইরমদম অসিদা নোংম-নোংমগী মাঙশিল্লক্লিবা মহৈ-মরোং থানরিবা লৌফমশিং কলহৌনবা মখল মখা কয়াগী থবক থৌরমশিং লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। লূপ অসিগী হোৎনজমল অমদি মথৌ তাবশিং খঙদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা কুমজা ২০১৭ দা মণিপুর কঞ্জার্ভেসন ওফ পেদ্দি লেন্দ এন্দ ৱেট লেন্দ এক্ট চৎনহন্নবা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ফম্নাইবশিং অমদি ওফিসলশিং য়াওবা মীফম পাঙথোক্তুনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবা ষ্ট্রিম লাইন তৌখিবনি। মীফম কয়াদা হঞ্জিন হঞ্জিন খঙহনবা লৈখ্রে। মীওই কয়ানা মঙক কন্দুনা মশাগীতা য়েংদুনা খঙলোই, উররোই মতাগুম লৌবুকশিংবু লৌ উবা নত্তবা অতোপ্পা থবক থৌরম কয়া হায়বদি হোস্পিটাল শাজিনবা, স্কুল শাজিনবা অমদি ইন্দষ্ট্রি তৌবগী থবক থৌওং চথদুনা লাক্লি।

লম্বীগী নাক-য়েৎতা লৈরিবা লৌফম কয়া উবা ফংজিল্লক্তে। অচৌবা লৌফম কয়াদা হোস্পিটাল, স্কুল অমদি ব্রিক ফিল্ডনচিংবা প্রোজেক্ট কয়া শীজিন্নবা উরি। অরুবা ফীভম অসি থেংননবগীদমক লূপ অসিনা নহা ওইরিবা লমদম অসিগী য়েলহৌমী কয়া পুনশিন্দুনা শেমখিবা লিগ ওফ ইন্দিজিনস ফার্মর এন্দ টেক্নিসিয়ন মণিপুর অমদি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মীয়ামগী মীহুৎশিংগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ কম্মিটি ওন কঞ্জার্ভেসন ওফ ক্রোপ লেন্দ মণিপুর (য়ু সী সী এম) শেমদুনা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। লৌবুক্তা চথদুনা লৈরম্বা কন্সত্রক্সন অমদি মরী লৈনদবা থবক কয়া থিংজিনখ্রে। মখা তানা অকনবা দ্রাইভশিং লেপ্পা লৈতনা চথরি। মখা তানা লেপ্পা লৈতনা চথখিগনি। মরী লৈনবশিংগী অয়াবা য়াওদনা লৌবুক্তা য়ুম শাবা য়াওনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈনদবা থবক অমত্তা পাঙথোকপা য়ারোই।

কন্সত্রক্সনশিং অমদি লৌবুক মাঙহনবা থবক থৌরমশিং খুদক্তা লেপকদবনি। মরী লৈনবা হিরম অসিগীদমক শেমখিবা ষ্টেট লেভেল কম্মিটিগী অয়াবা হান্না লৌগদবনি। থৌওইদদুনা খঙলোই, উররোই মতাগুম নারোন্দা এক্ট অসিগী মায়োক্তা থবক তৌরম্বা থোক্লবদি মদুদগী থোরকপা অফ-ফত্তগী তেকচাক খুদিংমক মশা-মশানা লৌগদবনি। এক্ট অসিগী মতাংদা মমূৎ তানা খঙনিংলবদি এক্ট অসিদা য়াওরিবশিং মীতৈ লোলদা হন্দাক্তুনা থম্লম্বা কোপীশিং ফংগনি। কম্মিটি অসিগা পাউ ফাওনবসু য়াগনি। মীয়াম্নসু অসিগুম্বা থবক থৌরমশিং অসি উরবদি লোৎশিন্দুনা থম্বগী মহুৎতা থিংহৌনবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু। ঐখোয় পুম্বগী চখাও ওইরিবা মমল নাইদ্রবা লৌবুকশিংবু মতম চানা কলহৌবদা মতেং পাংবীয়ু।

মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর, তম্পাক্কী দেপ্যুটি কম্মিস্নারশিং অমদি মরী লৈনবা ওফিসলশিংনসু মিসন অসিবু মপুং ফানা শৌগৎপীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# শৈরেং নুমীৎ থৌরমশিং পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪: মণিপুরগী ৱাংমদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংগী মফম কয়াদা মণিপুরী শৈরেং নুমীৎ ২০১৯গী থৌরমশিং পাঙথোক্লখ্রে।

পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম অসামনা শীন্দুনা ঙরাং গুৱাহাটিগী মণিপুর বষ্টিদা লৈবা মণিপুরী বষ্টি হায় স্কুলদা মণিপুরী শৈরেং নুমীৎ ২০১৯গী থৌরম পাঙথোকখি। গুৱাহাটিদা ফোঙবা থাগী চেফোঙ 'ইচেম্মা'গী এদিটর ডা. ফুরিৎশাবম বিরমণিনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম অসামগী প্রসিদেন্ট থৌনাওজম শ্যামো য়াওনা গুৱাহাটিদা লৈবা মণিপুরী কয়ানা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা শৈরেং শৈদিন্নবদা অইবা ১০ হেনবনা মশা-মশানা ইবা শৈরেংশিং পাথোক্লখি।

নহারোল খোরিরোল শিল্লূপ, অসাম, লক্ষিপুরনা শীন্দুনা চহী খূদিংগী পাঙথোকপগুম হন্দকসু খোরিরোল শিল্লূপ অসিগী ওফিসতা ঙরাং মণিপুরী শৈরেং নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখি। অসামগী মণিপুরী অইবশিংগী মরক্তগী থোইদোক-হেন্দোক্লা মশকনাইরিবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা অইবা ইলাবন্ত য়ুম্নামনা থৌরম মপূ ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অইবা কয়ানা মশা-মশানা ইবা শৈরেংশিংসু পাথোকখি। চহী অসিগী ওইনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালনা পীবা কামিনি কুমার গোল্ড মেদল ফংলবা অইবা অব্দুল হমিদ তাহির সাজবম, ইঙ্গম বিনোদ য়াওনা শক্লাইরবা অইবা অমদি নৌনা শৈরেং ইখৎলক্লিবা কয়াসু শরুক য়াখি।

মণিপুর ইন কোলকটা (এম আই কে)না শীন্দুনা ঙরাং কোলকটাগী মণিপুরী ভবনদা মণিপুরী শৈরেংগী নুমীৎ পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা আই সী এ আর কোলকটাগী প্রিন্সিপাল সাইন্টিষ্ট সুখাম মণিকুমারনা চীফ গেষ্ট, কোলকটা মণিপুর ভবনগী দেপ্যুটি রেসিদেন্ট কম্মিস্নর জি এস জয়ারিতানা প্রসিদেন্ট অমসুং নোংথোম্বম কুঞ্জমোহোন ট্রান্সলেসন এৱার্দ ফংলবী অইবী নোঙ্গ্রাকপম রঞ্জিতানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

# জিরিবামদা শৈরেংগী নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস): তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লবগুম জিরিবামদসু মণিপুর সাহিত্য পরিষদ জিরিবামনা শীন্দুনা টিচর কোলোনি জিরিবামগী রাজা রাম মোহন রোই লাইব্রেরি হোলদা মণিপুরী শৈরেংগী নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর ফূদ ইন্দষ্ট্রিজ কোর্পোরেসন লিমিটেদকী ভাইস চেয়রমেন কে সরতকুমার, মণিপুর সাহিত্য পরিষদ জিরিবামগী প্রসিদেন্ট এস খোগেন্দ্র, জিরিবামগী এ দি সী নোংমাইথেম বঙ্কিম অমদি জিরিবামগী জেদ ঈ ও, টি ঐচ অমুরাশিনা মথংশিৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা শক্লাইরবা অইবা থা পান্থোইনা মোদরেটর ওইদুনা শৈরেং শৈদিন্নবা অমসু পাঙথোকখি। লোয়ননা রোমিও মোইরাংথেমনা ইবা 'নুংশিবা অমসুং নীংতম লাম্মী' হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অমসুং সিনাম তুনুবাবুনা ইবা 'অমঙবা নোং' হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অনীসু থৌরমগী চীফ গেষ্টনা ফোঙদোকখি।

# উ-চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস): ভারত স্বাভিমান ট্রষ্ট এন্দ পতাঞ্জলি যোগ সমিটি মণিপুর ইম্ফাল ইষ্ট অমদি মেঞ্জোর মল্টিপর্পজ রিছার্স সেন্টর খাঙবোক অনীনা খুৎশম্নদুনা এম এম আর সী এন্দ য়ুনিটি পার্ক খাঙবোক্তা মেদিসিনল প্লান্ট কয়া থাখ্রে হায়না যুব ভারত মণিপুরগী রাজ্য প্রভারিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। যোগগী কান্নবা কয়াগী মতাংদা রিছার্স সেন্টর অমদি পার্ক অসিদা মীফম পাঙথোক্তুনা ৱাফম কয়াসু থমখি।

# সঙাইপ্রৌ মমাংদা ইষ্টর্ন সুজুকি টু হ্বিলরগী ব্রাঞ্চ অমা হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস): সঙাইপ্রৌ মমাং লৈকায়দা অনৌবা ইষ্টর্ন সুজুকিগী টু হ্বিলরগী ওথোরাইজ দিলরশিপ ব্রাঞ্চ অমা মণিপুর ষ্টেট ৱিমেন্স দিভলপমেন্ট কোরপোরেসন লিমিটেদকী চেয়রমেন এস ঐচ সৈত্যভমানা রিবন কক্তুনা হাংদোকখ্রে। অনৌবা ব্রাঞ্চ হাংদোকপগী থৌরম অদুদা ইষ্টর্ন সুজুকিগী মেনেজিং দিরেক্টর শিনাম হরিদাশনা হায় নৌনা হাংদোক্লিবা ইষ্টর্ন সুজুকিগী ব্রাঞ্চ অসি মীয়ামগী খুদোংচাবা য়েংলগা ট্রাফিক্কী অৱাবা লৈত্রবা সঙাইপ্রৌ মমাং লৈকায় এয়ারপোর্ট রোদকী কিদ্স ফাওন্দসন ময়া নক্না হাংদোকচবনি। ব্রাঞ্চ অসিদা সুজুকিগী টু হ্বিলরগী গাড়িশিং অমসুং স্পেয়র পার্টস চহী মঙাগী ৱারেন্টিগা লোয়ননা ফংগনি হায়না ফোঙদোকখি।


মহাক্না মখা তারদুনা হায় গভর্ণমেন্টগী থবক তৌবা ওজা, পুলিস অমদি মশাগী শেন্থোক লম্বী লৈবা মীওইশিংগী ওইনা দিস্কাউন্টকা লোয়ননা লোনগী খুদোংচাবসু নৌনা হাংদোক্লিবা ব্রাঞ্চ অসিদা ফংগনি হায়রি। অনৌবা ব্রাঞ্চ হাংদোকপগী থৌরম অদুদা ইষ্টর্ন সুজুকিগী ব্রাঞ্চ দিরেক্টর য়ুম্নাম খোগেন্দ্রোসু শরুক য়াখি। থৌরমগী মখা তারকপা ওইনা ঘড়ি চিনবান লৈমাগী কেম্পসতা বি জে পী ষ্টেটকী ফোর্মর প্রসিদেন্ট এস শান্তিকুমার অমদি এস ঐচ সৈত্যভমানা উ চারা থাবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। উ-চারা মখল কয়া থাখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কয়ানা উ-চারা থাবগী মরুওইবা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোক্লখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# লাইব্রেরী সেমিনার

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর লাইব্রেরী এসোসিএসন্না শীন্দুনা চহী অসিগী দিসেম্বর ১৪ অমসুং ১৫ দা ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরী কৈশাম্পাৎতা লাইব্রেরীগী মতাংদা সেমিনার পাঙথোক্কনি হায়না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি আর কে উর্মিলানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, রাজা রামমোহোন রোয় লাইব্রেরী ফাউন্দেসন, কোলকাটাগী স্পোন্সরশিপ মখাদা সেমিনার অসি পাঙথোক্কদবনি। সেমিনার অসিগীদমক পেপর ইনভাইট তৌরি। সব থীমশিংগী মনুংদা লাইব্রেরী এইদ দি ক্রোস রোদ, ইম্পেক্ট ওফ আই সী টি এপ্লিকেসন, ইন্ট্রদক্সন ওফ ইনোভেটিভ প্রক্টিস, নীদ ফোর রিবেম্পিং লাইব্রেরী সিষ্টেম, লাইব্রেরী সর্ভিস এন্দ কম্ম্যুনিটি রেস্পোন্স হায়বনচিংবা য়াওরি হায়রি।

HL-B/5669/12-16Oct.




## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৫।১০।২০১৯ ইং, লৈবাকপোকপা,
মেরাগী ১৭নি পানবা।

মেষ : মরুপকা লোয়নবা থবক্তা য়াম্না কান্নজবা নুমিৎনি। লম চৎপসু মহয় য়ানগনি, থেংলপ্না মীকোক থোংগনি। নচাক নরলদি চেকশিল্লু-ঈরাংদা তাউগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

বৃষ : অনম তানগনু অমদি মরুপ-মপাং য়াম্না লোয়নবসু কান্নফম খঙলোই। য়ারগদি অরুবা থবক পাংদবা ফৈ-তঙাইফদ্রদি লৌশিং চাওবা মীগী ৱা তারগা পাংউ।
লৈশা পাখংশিংগী - থবক ফবা খরা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

মিথুন : অনীংবা খুদিংমক হায়দোক্কনু অমদি মরুপ-মপাং লোয়নমক থাজবা য়াই খনগনু। শেল-থুমগী লম্দা, তবলপ্না ওইজ-ওইথক তানবদি শোইদনা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

কর্কট : লম্ খুদিংদা মায় পাক্কনি-চিংনবা লৈতনা মাঙলোমদা চংশিল্লু অমদি অয়েৎপা লৈররোই, নথক থোংবগী মতেংসু ফংগনি অমদি অচুম্বনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

সিংহ : হেন্না অশা চাওরুনু মীপাইবদুম নংগনি অমদি মরম চাদনা ইচং থৌবনা নরল মাঙহঞ্জগনি-ঈংথৌ। অদুবু থাজদবা মরম খরদগীসু কান্নবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা লুনা তৌবিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : খনন্থবা ঙমবা অমদি পূক্নিং ফাথবনা খ্বাইদগী ফবা পান্থে ওইগনি। চিন য়াংগনু অমদি অরুবা থবক নাইতোম পাংগনু। মীগী য়াকা য়েংনা চৎলু-মাঙ থাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ চিনি/অঙাংবা।

তুলা : থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাবা য়ানা লৈরে, থিবা হুম্বা কনবনা অফবা মফম কঞ্জবা ঙমগনি। মরুপ লোয়নবা হেন্না য়াইফগনি। ৱাথোকপা য়াবদৈদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : মায় পাক্কনি, খুৎচাও থানা থৌপাংবা য়াগনি অমদি ৱানোম থৌনোম কান্নগনি। অফা অপুনগী থবক্তা পূক্নিং ৱাবা অমদি য়েৎনবনা মাঙদনবা হোৎনৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু : য়েক্লবা হন্থরগনি অদুনা চিংনদনা মীয়ামগী ফনবা থবক পাংবা য়াগনি মীনা ইনশিনবা ঙাইদনা নাইতোম ৱারেপ লৌহৌরো, লৈঙাক্কী লম্দসু মীকোক থোংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম খরা মাঙলসু নীংবদি থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মকর: অকিবা লৈতনা থৌনা ফুদোক্না ঙসিসু থৌ পাংবা মহয় য়ানগনি-শোইদনা মায় পাক্কনি। অরং অরাক লেপশিনবা য়াগনি, য়েক্লবা লৈরম্লসু হন্থরগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ইকায়খুম্নবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কুম্বা : অখঙ-অহৈ শাদনা লৌশিং চাওবা মীগী ৱা তারগা থবক থৌরমদা শেল থাদবা ফগনি। হন্থবা লোয়ননু, অরং অরাক চেকশিন্দবা তৌগনু। শেলদি ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।

মিন : নংগী ওইবা মীশিংগা লোয়ননা পাংবা থবক শোয়দনা মায় পাক্কনি -অদুনা নাইতোম অরুবা/অনৌবা থবক পায়গনু। হুরানবনা তাথি-পংথগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।